

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, WEDNESDAY, MAY 16, 2018 **PAGE 7**




*ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ইটালিয়ান ওপন টেন্নিসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা সর্ভিয়াগী আলেকসান্দ্রা ক্রুনিক্কী মখূত্তা মায়থিহৌরবা মতুং টেন্নিস মশান্নদগী পোথাখ্রবী মশাগী চহী ৩৫ শুরবী ইটালি মচা রোবার্টা ভিন্সি*

*মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা মখোঙ শোক্তুনা মখা তানা শান্নবা য়াওবা ঙমখিদ্রবা মতুং রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিগী স্কৱাদ লাওথোরকপদা য়াওরকখ্রবা জর্মনিগী নম্বর ৱান গোলকিপর মেনুয়েল ন্যুয়র*


## বিসিসিআইগী হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা সসাঙ্ক মনোহর আইসিসিগী অনীরকশুবা টার্মগী চীয়রমেন ওইনা য়েৎনবা লৈতনা খনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ১৫ঃ*

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বিসিসিআই) গী হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্লবা ইন্দিয়াগী সসাঙ্ক মনোহর ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আইসিসি) গী অনীরকশুবা টার্মগী চীয়রমেন ওইনা য়েৎনবা লৈতনা খনখ্রে।

সসাঙ্ক মনোহর কুমজা ২০১৬ তা আইসিসিগী ইন্দিপেন্দেন্ট চীয়রমেন ওইনা অহানবা ওইনা ফম পায়খিবনি। মহাক্না চহী অসি চীয়রমেনগী ফম পায়রকপা অসিদা মশান্না অসিগী অৱাৎপা কয়া মেনখৎপগা লোয়ননা মথৌদাং নীংথিনা পাঙথোকপা ঙমখিবা মীওই অমনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা চীয়রমেনগী মীখল অদুদা ইন্দিয়াগী সসাঙ্ক মনোহর খক্তমক নোমিনেসন ফাইল তৌরকখি। মদুনা মরম ওইরগা আইসিসিগী ইন্দিপেন্দেন্ট ওদিস কমিতিগী চীয়রমেন ইদৱার্দ ক্বিনলাননা সসাঙ্ক মনোহরবু মায় পাক্লবা কেন্দিদেটনি হায়না ফোঙদোরকখি।



*আইসিসিগী অনীরকশুবা টার্মগী চীয়রমেন ওইখ্রবা ইন্দিয়াগী সসাঙ্ক মনোহর*

পনবা য়াবদি কোলকতাদা পাঙথোকখিবা আইসিসিগী ক্বার্টরলি মিটতা সসাঙ্ক মনোহরনা মহাক্না পায়রিবা চীয়রমেনগী ফম অসি অমুক মখা তানা টার্ম অমগা পায়বগী মমি লৈখ্রবনি।

আইসিসিগী অনীরকশুবা টার্মগী চীয়রমেনগী ফম পায়রবা সসাঙ্ক মনোহরনা ফোঙদোরকখিবদা মহাকসু অমুক হন্না ফম অসি পায়বগীদমক খল্লকপদা আইসিসিগী ফেলো দিরেক্তরশিংবু থাগৎ ৱাহৈ থমখি।

নীংশিংবা য়াবদি সসাঙ্ক মনোহরগী লুচিং মখাদা পেপসি কোগী চীয়রমেন এন্দ সিইও ইন্দ্র নুয়িবু আইসিসিগী অহানবা ইন্দিপেন্দেন্ট ফেমেল দিরেক্তর ওইনা খনখিবনি।

অনীরকশুবা ওইনা ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিলগী চীয়রমেনগী ফম পায়খ্রবা ইন্দিয়াগী সসাঙ্ক মনোহরনা কুমজা ২০২০ ফাওবা ফম অসি পুদুনা ক্রিকেট মশান্নগী ওইনা অনৌবা চৎন-পথাপ কয়া পুথোক্নবা হোৎনগদৌরি।

ক্রিকেট মশান্না অসিবু মালেমদা হেন্না মশক নাইবা ওইহন্নবা মহাক্না চীয়রমেনগী ফম অসি পায়রিঙৈদা আইসিসিগী অতোপ্পা ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা থবক তৌমিন্নগনি হায়নসু সসাঙ্ক মনোহরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ইন্দিয়াগী ক্লব বেঙ্গালুরু এফসিনা বাংলাদেশকী ধাকা অবাহানি মায়থিবা পীদুনা এএফসি কপকী গ্রুপ ষ্টেজ লাম্ঘোক্লবা হোৎনগদৌরি

*ধাকা, মে ১৫ঃ*

এসিয়াগী মরুওইবা ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংদা লৈবা ক্লবশিংগী ওইবা মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা এএফসি কপকী গ্রুপ 'ই' গী অরোইবা মেটচতা ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লব বেঙ্গালুরু এফসিনা বাংলাদেশকী ক্লব ধাকা অবাহানিবু পাঞ্জল য়াম্না চনশিল্লগা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ ষ্টেজ লাম্ঘোক্লবা হোৎনগদৌরি।

গ্রুপ 'ই' দা মালদিপ্সকী ক্লব ন্যু রেদিয়েন্টনা মেটচ ৫ শান্নবদা মেটচ ৪ মায় পাকখিবা অদুগা মেটচ অমা মায়থিদুনা পুন্না পোইন্ট ১২ ফংদুনা গ্রুপ অসিগী মকোক্তা লৈরি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী ক্লব বেঙ্গালুরু এফসিসু গ্রুপ অসিদা মেটচ ৫ শান্নখিবদা ৪ মায় পাকখিবা অদুগা অমা মায়থিখিবা অদুনা মরম ওইরগা পোইন্ট ১২ ফংখ্রবসু গোল দিফরেন্সদা মালদিপ্সকী ন্যু রেদিয়েন্টনা হেনখিবদগী অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

এএফসি কপ অসিগী ইন্টর-জোন প্লে ওফ সেমি ফাইনেল ক্বালিফাই ওইননবা হয়েং ইন্দিয়াগী ক্লব বেঙ্গালুরু এফসিনা বাংলাদেশনা য়ুম্থু ওইদুনা মফম অদুগী ক্লব ধাকা অবাহানিগা শান্নগদবা গ্রুপ অসিগী অরোইবা মেটচ অসি মায় পাকপগা লোয়ননা পাঞ্জল মশীং য়াম্না চনবা তঙাই ফদ্রি।



*এএফসি কপকী গ্রুপ ষ্টেজগী অরোইবা মেটচকীদমক শেম শাবা ওইনা বেঙ্গালুরু এফসিগী শান্নরোই অনীনা প্রেক্টিষ্ট তৌবা*

অমরোমদা মালদিপ্সকী ক্লব ন্যু রেদিয়েন্টনা গ্রুপ অসিগী অরোইবা মেটচ ওইনা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ক্লব আইজোলগা লম্বা তৌনগনি। টিম অনীনা শান্নগদবা মেটচ অসিসু য়াম্না মরুওইবা মেটচ অমা ওইগদৌরি।

পনবা য়াবদি বেঙ্গালুরু এফসিনা বাংলাদেশকী ক্লব ধাকা অবাহানিগা মার্চ ১৪দা শান্নখিবা গ্রুপ মেটচ অমদা বেঙ্গালুরু এফসিনা পাঞ্জল ১-০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখি। মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৭২শুবা মিনটতা লাললিম্পুয়ানা চনখিবনি।

বাংলাদেশকী ক্লব ধাকা অবাহানি গ্রুপ অসিদা মেটচ ৫ শান্নখিবদা মেটচ অমা মায় পাকপা, অমা দ্রো চৎলগা ৩ মায়থিখিবদগী পোইন্ট ৪ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা ইন্দিয়াগী ক্লব বেঙ্গালুরু এফসিনা মেটচ ৫ শান্নখিবদা মেটচ অমত্তা মায় পাকপা ঙমখিদবগা লোয়ননা মেটচ অমা দ্রো চৎলগা মেটচ ৪ দা মায়থিদুনা শুপ্নগী পোইন্ট ১ ফংলগা টেবলগী খ্বাইদগী মনিংদা লৈরিবনি।

গ্রুপ 'ই' গী টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা মালদিপ্সকী ক্লব ন্যু রেদিয়েন্টনা মমাঙদা শান্নখিবা গ্রুপ মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী ক্লব আইজোল এফসিবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীরমখি।

## বেলজিয়ম অমসুং নেদরলেন্দস মখোয়-মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্তুনা চহী ১৭ মখাগী য়ুরো ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

*লন্দন, মে ১৫ঃ*

য়ুরোপকী লৈবাক ৫ না য়ুম্থু ওইরগা শান্নফম ৬ তা পাঙথোক্লিবা চহী ১৭ মখাগী য়ুইএফএ য়ুরোপিয়ান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিং মায় পাক্তুনা বেলজিয়ম অমসুং নেদরলেন্দস সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ইংলেন্দদা লৈবা বেস্কোট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা বেলজিয়মনা স্পেনবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



*বেলজিয়মগী চহী ১৭ মখাগী শান্নরোইশিংনা মেটচ মায় পাক্তুনা য়ুরো কপকী সেমি ফাইনেল চঙখ্রবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

বেলজিয়ম অমসুং স্পেনগী শান্নখিবা চহী ১৭ মখাগী য়ুরো ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু হৌরকপদা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি।

শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা এলেজান্দ্রো বেনানা মেটচকী অহানবাপাঞ্জল অদু চন্দুনা বেলজিয়মবু মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্লবা হোৎনদুনা স্পেনগী মায়োক্তা এটেক তৌদুনা শান্নরকখি। অদুবু স্পেনগী দিফেন্দরশিংনা মখোয়না পুশিল্লকখিবা বোলশিং অদু নীংথিনা মায়োক্লদুনা পাঞ্জল হন্দোকহন্দনা থমখি। মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনরক্তদ্রবা মতুং শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা য়োরডে ভর্টেসেননা ইক্বেলাইজর অদু চল্লবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী ৪৯শুবা মিনটতা বেলজিলমগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা জেমী য়ায়ি পৈনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা স্পেনবু পাঞ্জল ২-১ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ৪১ রোমগী মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্লদুনা শান্নরকখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্মখিদবদগী মেটচ অদু বেলজিয়মনা স্পেনবু পাঞ্জল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা চহী ১৭ মখাগী য়ুরো ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

বেলজিয়মনা চহী ১৭ মখাগী য়ুরো ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেলদা স্বিদেনবু ১-০ দা মায়থিবা পীরম্বা ইটালিগা লম্বা তৌনরগনি।

চহী ১৭ মখাগী য়ুরো ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা নেদরলেন্দসনা রিপব্লিক ওফ আয়রলেন্দবু পেনাল্টি সুট আওটতা পাঞ্জল ৫-৪ দা মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নেদরলেন্দস অমসুং রিপব্লিক ওফ আয়রলেন্দনা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নরকপনা মরম ওইরগা অহানবা হাল্ফকী মতম অদুনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মেটচকী ৬২শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ভান গেল্ডরেননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা মাঙজিল থাখি। মিনট ২ লৈরগা রিপব্লিক ওফ আয়রলেন্দগী শান্নরোই ট্রোইপেরোটনা ইক্বেলাইজর অদু ওইখ্রবা মতুং মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী এক্সট্রা টাইম হাপ্তুনা শান্নরকখি।

এক্সট্রা টাইম হাপ্তুনা শান্নরকপা অদুদসু মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈনখিবদগী পেনাল্টি সুট আওটতা মায় পাকপা টিম খনবা মথৌ তাখি।

পেনাল্টি সুট আওট অদুদা নেদরলেন্দসনা রিপব্লিক ওফ আয়রলেন্দবু পাঞ্জল ৫-৪ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা নোরৱেবু ২-০ দা মায়থিবা পীরম্বা ইংলেন্দগা শান্নরগনি।

## রুশিয়াগী এলিনা ভেসনিনা অমসুং ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্টাভিয়েট ইটালিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে

*রোম, মে ১৫ঃ*

ইটালিগী কোনুং রোমদা চথরিবা ইটালিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচশিং মায় পাক্তুনা রুশিয়াগী এলিনা ভেসনিনা অমসুং ইষ্টোনিয়াগী কোন্টাভিয়েট অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

রুশিয়াগী এলিনা ভেসনিনানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জর্মনিগী শান্নরোই লোরা সৈগমুন্দবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭-৬(৭-৫), ৬-২ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা বাই ফংদুনা লাকখিবা ৮শুবা সিদেদ য়ুএসএগী ভেনস ৱিলিয়মসকা লম্বা তৌনরগনি।



*ইটালিয়ান ওপন টেন্নিসকী নুপীগী সিঙ্গলসতা ২শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবী রুশিয়াগী ভেসনিনা (ওই) অমদি ইষ্টোনিয়াগী কোন্টাভিয়েট*

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইষ্টোনিয়াগী এনেট কোন্টাভিয়েটনা য়ুএসএগী কোকো ভান্দিৱেগিবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা য়াম্না কোম্না ৬-১, ৬-১ দা মায়থিবা পীরমখি।

য়ুএসএগী স্লোন ষ্টেফেন্সনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জেক রিপব্লিককী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৬-৭(৪-৭), ৬-৩, ৬-১ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা চাইনিজ তাইপৈগী সু ৱৈ সেনা বেলারসকী এরিনা সবালেনকাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-২, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোসনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইটালিগী সারা ইরানিবু ৬-৩, ৭-৬(৮-৬) তা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

রুশিয়াগী শান্নরোই দারিয়া কসাটকিনানা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী এজলা টোমজানকোভিসপু ৬-০, ৬-৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

ইটালিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুএসএগী দেনিয়েলি রোজ কোলিন্সনা রোমানিয়াগী সোরানা কিরষ্টিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৬-৩, ৪-৬, ৬-৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ইটালিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা বোসনিয়া এন্দ হর্জেগোবিনাগী শান্নরোই দামির ঝুমহুরনা স্পেনগী ফর্নান্দো ভর্দাস্কোবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬-৩, ৬-১ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। ঝুমহুরনা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদালগা লম্বা তৌনরগনি।

জিওর্জিয়াগী নিকোলোজ বাসিলাসভিলিনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইটালিগী ফিলিপ্পো বালদিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৬-৪, ৪-৬, ৬-৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্থু লৈবাক ইটালিগী এন্দিয়াস সেপ্পিনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ফ্রান্সকী লুকাস পোলিবু ২-৬, ৬-৩, ৭-৬(৭-৩) দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইটালিগী ফাবিও ফোগনিনিনা ফ্রান্সকী গেল মোনফিলসপু ৬-৩, ৬-১ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখি।

বৃটেনগী কাইল এদমুন্দনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা টুনিসিয়াগী মালেক জাঝিরিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৬-৩, ৩-৬, ৬-৩ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রি বুসান চেলেঞ্জর ট্রোফিগী অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*বুসান, মে ১৫ঃ*

সাউথ কোরিয়াগী সিটি বুসানদা চথরিবা য়ুএস দোলর ১৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা চেলেঞ্জর মেন্স টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপাগী মকোক থোংবা সিঙ্গলস শান্নরোই য়ুকি ভাম্ব্রি অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রিনা জপানগী য়োসিহিটো নিসোইকাগা লম্বা তৌনখিবনি। অহানবা সেট জপানগী শান্নরোই য়োসিহিটোনা ৬-৩ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুনা টাই ব্রেক্তা ইন্দিয়াগী ভাম্ব্রিনা ৭-৬(৮-৬) তা থোইদুনা সেট অমমম মান্নখি।



অহুমশুবা সেট অদুদা ইন্দিয়াগী য়ুকি ভাম্ব্রিনা গেম ৩-০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈরিঙৈদা জপানগী শান্নরোই য়োসিহিটো মশা শোকপনা মরম ওইরগা মখা তানা শান্নবা ঙমখিবদগী ভাম্ব্রি অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

উজবেকিস্তানদা চথরিবা চেলেঞ্জর মেন্স ট্রোফিকী অহুমশুবা অমদি অরোইবা ক্বালিফায়িং মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী স্রিরাম বালাজিনা ফ্রান্সকী ত্রিষ্টান লামাসিনবু ৬-১, ৭-৫ দা থোইরমখি।

## রোবার্টো মেনসিনি ইটালি ফুটবোল টিমগী মেনেজর ওইখ্রে

*রোম, মে ১৫ঃ*

হান্না ইটালিগী ক্লব ইন্টর মিলান অমসুং ইংলেন্দগী ক্লব মেঞ্চেষ্টর সিটিগী কোচ ওইদুনা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা ইটালি মচা রোবার্টো মেনসিনিনা ইটালিগী ফুটবোল টিমগী অনৌবা মেনেজর ওইরগনি।

ইটালি ফুটবোল টিম্না কুমজা ১৯৫৮ কী মতুংদা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবা অদুনা মরম ওইরগা হান্না লৈরম্বা কোচ গিয়ান পৈরো ভেনচুরাগী মহুৎ মশাগী চহী ৫৩ শুরবা ইটালি মচা রোবার্টো মেনসিনিনা মহুৎ শিনখিবনি।

## জর্মনিগী কোচ জোকিম লোগী কোন্ট্রেক্ট কুমজা ২০২২ ফাওবা শাংদোকখ্রে

*দোর্টমুন্দ, মে ১৫ঃ*

হৌজিক-হৌজিক জর্মন ফুটবোল টিমগী কোচ ওইরিবা জোকিম লো কুমজা ২০২২ ফাওবা মখা তানা কোচ ওইবগী কন্ট্রেক্ট শাংদোকখ্রে।

মশাগী চহী ৫৮শুবা জোকিম লো কুমজা ২০০৬ তগী জর্মনি ফুটবোল টিমগী কোচ ওইদুনা লাকখিবনি। মহাক্কী লুচিং মখাদা জর্মন ফুটবোল টিম্না কুমজা ২০১৪ ফিফা ৱার্ল্ড কপকী টাইটল লৌবা ঙমখি।



পনবা য়াবদি কুমজা ২০০৪ দগী কুমজা ২০০৬ ফাওবা জর্মন নেসনেল ফুটবোল টিমগী এসিষ্টেন্ট মেনেজরগী ফম পুরম্লবা মতুং কোচ ওইবগী থৌদাং অদু কুমজা ২০০৬ তগী পুহনখিবনি।

লৈবাক অসিগী ফুটবোল এসোসিয়েসন জর্মন এফএ (দিএফবি) গী প্রসিদেন্ট রেনহার্দ গ্রিন্দেলনা ফোঙদোকখিবদা জর্মন নেসনেল টিমগী দিরেক্তর ওইরিবা ওলিভর বিয়রহোফনা পুরিবা ফম অসিসু কুমজা ২০২৪ ফাওবা শাংদোকখ্রে।

জোকিম লোগী কোন্ট্রেক্ট শাংদোকপগী ৱাফম অসি কুমজা ২০১৮ গী রুশিয়ানা য়ুম্থু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোলদা জর্মনিগী শান্নরোইশিনা পীরকপা পার্ফোমেন্স য়েংলবা মতুংদা অমুক হন্না খন্নখিগনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী প্রসিদেন্ট গ্রিন্দেলনা মখা তাখি।